# মপোক থানা লাকপদা ঐগী মরূপ বুধবু নীংশিংজবা

- চোংথাম কমলা -

**হন্দক** মরকসি বুধবু য়াম্না নীংশিংলকই। করিগীসু নীংশিংলোই, ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালনা, শক্লাইরবশিংগা উন্নবগী থৌরম কয়া মরাং কায়না শন্দোকপা থেংনজে। ঐখোয়বু খূৎ পায়দুনা তন্বীরকপদা নত্তনা লৌশিংগী মঙাল পীবিরিবা ওজা ইবুংঙো শ্রী অরিবম শ্যাম শর্ম্মাগা উন্নবগী থৌরম অমা তাজখি। মদু তাজরুবদগী মিৎমাঙদা মথং-মথং চোঙথোরকখি বুধ, শ্যাম, জয়কুমার। মখোয় অহুম্মক ওজাগী অচানবা অমদি মগুণসু য়াম্না লৈবা সেবক ঙাক্তনি। মখোয় অহুম্মনা চৎখিবসি ওন্থোক্লা পাম্মুই। মখোয়না শক্লন্বা ঈশৈশিং হৌজিক্লা হেন্না নুংশিরক্লি, হেন্না হেন্না ফজরক্লি।

পূক্লিংদা খঙহৌদনা ফাউরকপা অমদি মতম খরগী মমাঙদা সনখ্যা আর কে সিংহজিৎকা উন্নগী থৌরম অমসু রেদিওদা শন্দোকপীখি। থৌরম অদু তাজবদা অসুক্কী মতিক নুংঙাইজখি। ইন্টরভিয়ু অদুদা সনখ্যানা ৰাফম অমা পনবিখি - “ঐ অর্জুন অমা থিজরি, ঐ অর্জুন অমা ঙায়জরি’। মসিদা ঐঙোন্দা ফাউজখিবসি ঐখোয়গী ওজা ইবুংঙো (শ্রী শ্যাম শর্ম্মা) দি অর্জুন অমত্তা নত্তনা অর্জুন অহুমদুম ফংখ্রে হায়নীংলকই। বুধ, শ্যাম, জয়কুমার মখোয়গী পীথোরকপা মগুণশিংদু নীংশিংলুবদা, তাইবঙ শেন্বা মপূগী থৌজাল ফংলবা লাইবক ফবা মপোকনি হায়দবা ঙমলোই। বুধ ঐখোয় অনী চহী ইহন হন্নদে। ঐনা থা ৬/৭ কুম্বা হল্লি। ইপোক নুমিৎসু তিন্নৈ। নোংমাইজিং নুমিৎনি। কুমজা ১৯৪১গী মে ১৮দা থাংমৈবন্দ হিজম দেৰান লৈকায়দা পোকই। মাগী মপোক নুমিৎনা লাকপসিদা মহাক্লা নক্লা অমদি মতম শাংনা লোয়নজহৌবনা হৌখ্রবা, কাউবা ঙমদবা থৌদোকশিং তমজনীংবগী ঈথিলনা কনখিবনা হৈজবসু নৎচদা ৰারেং অসি ইজবনি।

ঐনা বুধবু মরূপ হায়জরিবগী মরমদি- করিগুন্বদা মহাকসি নুপানি হায়না ফাওবা খন্দবা মিকুপ, তাঞ্জা য়াওখিদবা নত্তে। ঐখোয় অনী ইমান্নবী তিন্নবগুম লৌথুপ লৌকোয় লৈনদে। চৈনীংবা, হায়নীংবা হায়বসু শাওনদে। ঐখোয় অনীনা অহানবা খঙনবদি ওল মণিপুর ইন্টর স্কুল ম্যুজিক কম্পিটিসন অমদনি। মহাক্লা জোনষ্টোন স্কুল রিপ্রজেন্ট তৌই ঐনা তম্ফাস্না স্কুলগীনি। মতমদু নীংশিংলুবদা কয়াম নোকনীংই। চাংদম্নবদুদা ঐনা ফার্ষ্ট তারগা বুধনা সেকেন্দ তাই। এম দি য়ু হোলদা প্রাইজ পীবা নুমিৎতুদা বুধগী মমান্নবা মহৈরোয়শিংনা জজনা মীচং মীখায় নাইবগী মওংদা, মখোয় ময়াম্না স্পিসিয়েল প্রাইজ অমগা পীদুনা খুবাক্কা য়াম্না খুদুনা তৌখি। ঐদি কয়াবু খল্লুদে ইমান্নবীশিংদি শাওদুনকা তৌখিবদু মিৎতা উরকখি। মতমদুদা ঐখোয় অনীসু ফজনা খঙনদ্রি। মমৈথংদা রূপরাগ লীংখৎপদগী ঐখোয় পুনখিবনি। মাক মশক মতৌসু ফজবা, মীনসু নুংশিবা মীতা ওইনা তৌই, মবুক য়াম্না ফৈ, য়াম্নসু চন্মী, মীনা হায়রিবমখে ‘হোয়’ হায়বা মীতানি।

রূপরাগতা মতম শাংনা লোয়নরকপদা মাগী মগুণশিং অসুম অসুম ময়েক শেংলকখি, খঙলকখি। মঙোন্দগী কল্লকচবা অমদি, খোঞ্জেলগী নুংশিবা খরা ৰাৎচরবসু, মীনা তানবদা ৰারবা, ঈশৈ শকপা মতমদা থম্মোয় ফুকনা, মশা ফাউবা কাউথোক্লা শকপা অসিনি। ঈশৈ ময়েক খনবসু য়াম্না হৈ। মহাক্লা খনবা ঈশৈশিং সুর পান্দ্রিঙৈদা ইফ-ফজদবগম তৌবদু, মহাক্লা চান্নবা সুর হাপ্লকপা মতমদদি ফজবা ঈশৈ ওইরকই, কুইর-কুইরগসু মগুণন লৈবা হেনগৎলকই। মহাক্লা সুর পানবদা পকচবসি লৈবাকনীংবা ঈশৈশিংনা খরা হেনবগুম তৌই। রূপরাগকী রেদিওগী প্রোগ্রাম ফংবদা ওজানা (শ্রী শ্যাম শর্ম্মা) লৈবাক নীংবা ঈশৈশিং বুধদা সুর পান্নবা শিন্নৈ। মহাক্লা শৈবানবা ফজবা ঈশৈ কয়া কয়ানি। ঈশৈ অনীদং লৌখৎচগে, লৈবাকনীংবা ঈশৈনি। ***“শুক্র মন্ত্র গুহানুংদা তূল্লিবা নোংশা পাঙ্গনবা”*** অইবী : এম কে বিনোদিনি দেবী। অমনা লৈবাক মীয়ামগী ঈশৈ ওইখ্রবা - ***“পারি ইমোম শামু পাঙ্গনবাশা”*** অইবা : শ্রী শামুরাইলাৎপম নীলচন্দ্র শর্ম্মা (তোন্বী শর্ম্মা) মশাগীতা নত্তনা অতোপ্পা শৈশকপা/শৈশকপী কয়াগীসু সুর পাল্লন্মী।

টবলাগী শক্লাইরবা ওজা মেঞ্জোরদগী টবলা তন্মী। অদুনা ওজানা (শ্রী শ্যাম শর্ম্মা) সুর পানবা মতমদা বুধনা টবলা পায়গনি। মহাক্লা ময়েক্কা সুরগা চান্নগদবা তোঙান তোঙানবা ঠেকা কয়া য়ৈদুনা য়েংগনি। ফজরবা ঈশৈ কয়ানি বুধগা সুর পাম্মিন্নখিবা। বুধমক থেংনরমদ্রবদি ওজাগী ফজবা ঈশৈগী মশীং হন্থরমগনি। বুধ, তালদা নত্তনা সুরগী, ময়েক্কী আইদিয়া ফজনা লৈবনা, ওজাগা সেবক্কা পুল্লগা, কলাগী ফজবা পোৎথোক অমা পুথোক্লবা হোৎনবদা শোয়দনা পাউ ফাওনরমগনি।

রূপরাগকা মহাক্কী অমুক লৈনরিবা মরীসিনা অচেৎপা মরীনি হায়বসিদগী ঐগী ফোঙদোকচনবা ৰাহৈ লৈজদে। মহাক্লা রূপরাগকীদমক্তা হোৎনজখিবা, ৰাজখিবা, মাইবনা খূৎ থারবা, খাঙেনফম য়ৌরুববা রূপরাগপু মাগী থৌগলনা, ৰিল কনবনা অনৌবা মপোক অমা ওইনা পোল্লকখিবনি। রূপরাগ স্কুল লীংখৎতুনা অঙাং কয়া ঈশৈ তন্বীখি। লৈবাক্লা শকখঙলবা শৈশকপা/শৌকপী কয়াসু পুথোকখ্রে। ঙসি ওইরিবা মতম ঈশৈগী থাক অসি য়ৌনবা হোৎনবদা বুধগী থৌদাং য়াম্না চাউনা য়াওরি হায়বসি লম অসিদা খোঙদারিবশিংদা খঙহঞ্জনীংই।

চিংথজনীংদবা অমনা - শোরাৎ, লুহোংবা, ফিরোই, নাহুৎ-নারেংনচিংবদা ফমশক হায়দনা চৎনরক্লিবা ঈশৈ মখল অসি বুধগী ৰাখলদগী ওইরকখিবরা হায়বসি কন্না খলহল্লি। মরমদি মতমদুদা মতম ঈশৈ শকচবশিং, হৌজিক্কী মতমগী আর্টিষ্টশিংনা ফংলিবা খুদোংচাবশিং- ফিল্মগী, এলবমগী, ঈশৈগী থৌরমশিং লৈখিদবনি, লৈরবসু তাঙনা থোকপনা মহাক্লা আর্টিষ্টশিংগী হিংজনবগী লন্বী অমা থিজরম্বসু কনানা খঙবা। মরম অদুনা মহাক্লা ওজা শগোলশেম কালিদমনগী মফমদা চঙজদুনা নট সঙ্কীর্ত্তনগী মতাংদা খঙনীংবা কয়া খঙজনবগী তাঞ্জা লৌজখি। হোলি পালা লীংখৎতুনা য়াওশঙ মতমদা হোলি ঈশৈ শকই। শ্রী হুইদ্রোম ভরতনা ইবা ‘নিমাই সন্ন্যাস’ কী পরিং ওজাগী (শ্রী শ্যাম শর্ম্মা) পাউতাক মতুং ইন্না ৰানা শেমগৎচদুনা সেবক শাক্কাশিংগা লোয়নন‌া খুদোল তন্বা হৌরকখিবনি।

মহাক্লা লম অসোমদা লায়না চঙশিনবা ঙমখিবগী মরমসু লৈতবা নত্তে। মণিপুরদা চূড়াচান্দ মহারাজনা নিংথৌ ওইদুনা পানবা মতমদা ইংলেন্দগী নিংথৌ জোর্জ ফাইব ইন্দিয়াদা লাকখি। ইন্দিয়াগী নিংথৌ পানবা লৈবাকশিংগী নিংথৌশিংসু চৌবাউ পী। মহারাজ চূড়াচান্দসু চৌবাউ ফংদুনা দেল্লিদা লেঙখি। মহারাজনা রাস পার্টি অমা হান্না থাখি। হায়রিবা জগোয় রাস অদুদা কৃষ্ণ শাখিবসি, বুধগী অপোকপা শ্রী অহৈবম মনিকচান্দ সিংহনি। কোনুংনা কৃষ্ণ শানবগীদমক্তা খল্লকপা হায়বসি ইচম চন্না অমদি ওইরোই। বুধনসু ঐখোয়দা হায়খি - ঐগী অপোকপা নট সঙ্কীর্ত্তনগী পুঙ য়ৈবনি। পাবুংদগী পুঙ য়ৈবা তমহৌই। পাবুংনা সেবকশিংদা তন্বীবা মতমদা মানসু পামজরুবনা মুন্না তাশিনজহৌই। বুধ ফগীসু য়াম্না হৈ। মহাক্লা তৌনীংবা থবক, হায়নীংবা ৰা, হেক্তা হায়দোকপা ঙম্মী। মীনা করি হায়খিনি, য়াবিরক্দ্রা, য়াবিরোইদ্রা, করিসু খনবিদে। মঙাও থীবা বুধনি। মাবু নীংশিংবদি ঐবু অমুক কপহনবা অদুগা অমুকসু নোকহনবনি।

এম কে বিনোদিনীগী প্লে, ফিল্মসু লৈখ্রে- ‘অশংবা নোংজাবী’ ইরকপা কান্দা মানা হায়গনি - সনাইবেম্মা, ঐগী পার্ট অমা হাপ্পীয়ু ঈশৈ অমসু শকহনবীয়ু। মাবু নুংশিদবা য়াওদে ইমাসিনা, লাই য়েকপা মহৈরোয় মচা অনী হাপ্পুনা ঈশৈসু শকহনখি। ফজবা মতাংসু ওইখি।

ঙল্লিঙৈ মতমদা ঐখোয় অনীগী দিস্ক রেকোর্দ অনী ওজানা (শ্রী শ্যাম শর্ম্মা) লৌবি। রেকোর্দতু ফোঙলকপা মতমদা, ঈশৈ মথক মখাদু ঐগী অমা বুধগী অমা হাপ্লকই। মদুদা ঐনা - বুধদা - ঈশৈসে ঐগী অমা নঙগী অমা তোঙান্না তৌবা য়াদ্রা খঙদে’ হায়রুবদা মানা থুনা খুল্লকই - ইবেম্মা নঙগী ঈশৈ অমদা ঐগী অমা য়েপহৌদ্রবদি ঐগী রেকোর্দপু কনানা লৈদুনা তাবীদৌরিবা। ঐখোয় ওজাসি শিংখ্রপোৎনি। ঐখোয় অনী কন্না নোকমিন্নবসি। অমুক্লা, বুদদো মশা ঙমদদুনা হোস্পিটালদা লৈরে হায়। ময়াম অনাবা হংবা চৎলুবদা অনাবা বেদতা লৈরমদে। কদাই চৎখি হংলুবদা নর্স নুপীমচা খরনা সিনেমা য়েংনীংই হায়দুনা সিনেমা য়েংবা পুবিখি হায়। গৌহাটিদা লায়েংবা চৎপদগী থোরল্লগা, রেদিও ওফিসতা নোংমা লাকই। ঐনা নঙগী অনাবা করম তৌরে, করি হায়রকই হংলুবদা - “এ ঐগী অনাবসিদি শুকফ-ফররোই হায় - হকচাংদদি করিসু তৌরোই, খ্বাং কোঞ্জবদনি হায়রকই। ঐবু য়েংবা ডাক্তরদুসু ঐগা চপ মান্ননা, মখ্বাং কোল্লম্লে, মাননি হায়রকইসে।

মসিনি ঐগী মরূপ বুধ। নঙদি নুংঙাইদুনতা লৈবা হৈবনি। লাইরমলেন্দসু নঙবু নুংঙাইনা লৈহনবীয়ুকো হায়না তাইবঙ শেন্বা মপূগী মফমদা নীজরি।

# মৈদিংঙু নোংদা লাইরেল পাখংবা কনানো?

- খুন্দোংবম কুমার -

**ৰাহৌদোক :-** ইজরিবনা মতম কয়াগী মমাঙদগী ‘নোংদা লাইরেল পাখংবগী মমা-মপা কনানো হায়বসিদা চমন্নবগা লোয়নন‌া খন্দুনা অদুম লাকচখিবনি। চৈথারোল কুম্বাবদসু থেংনজদে। অদুগা লাই-তীলগী ওইবা তোঙান তোঙানবা পুৰারী লাইরিক্তা য়াওবা অকি তুজুংনীংঙাই ওইবা শক্তম শকপানগী চাদা নাউদানি হায়বরোমদা চঙশিঞ্জবগী ইতিক লৈজদে। ইজরিবনা থমজগদৌরিবসি মনীংতম্না মরোমদোম লৈজরম্বা মৈত্রবাক (মণিপুর) পু শেম্নবগীদমক্তা উরেপ উয়ুং য়ুংখৎপীরম্বা অমসুং য়ূম্ফম থোনবীরম্বা, নিংথৌকোন্দা ঈরাৎলিবী ‘য়ুমজাউ লাইরেম্বী ওইখিবী ঈবেন্ধৌ’ নোংদা নোংখনলেম্বী (কোন্না লৈনুং য়াবীরোক মীংলেন ফংখিবী) ইবেম্মসিদা য়ূম্ফম ওইরগা য়ারিবমখে শুপচিন্না থমজনবা হোৎনজবনি।

মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবা কুমজা ৩৩ (কনাগুম্বনা কুমজা ৩৪নি হায়) দা মৈত্রবাক (মণিপুর) গী পুৰারী (ইতিহাস) বু খূৎমাবীখিবী লাইপোক্লুম মতিক ময়াই লৈবা নিংথৌরেল (লাইরেন) নি। নোংদা লাইরেন পাখংবগী অহানবা অঙাং ওইরিঙৈগী মিংলেন্দি ‘নোংদা তুকুপ্লীক’ হায়না থেংনজৈ। মথক্তা পঞ্জখিবা কুমজা ৩৩দা ‘নোংদা তুকুপ্লীক’ না মশাগী চহী ২৭ শুরকপদা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল কাখিবা অমসুং লাইস্নানা লৈমরেম্বী ওইখিবা নুমিত্তুদগী ‘নোংদা লাইরেন পাখংবা’ হায়না খঙনখ্রে। নোংদা লাইরেন পাখংবা নোংমদোন (অতিয়া) থক্তগী পাখং ওইনা হেক্তা কুম্লকপা নত্তে। পোকপা-শিবা নাইবা মতিক লৈবা ৰাংঙম মৈতৈ নিংথৌজা সলাইগী তাইবঙ মী অমনি হায়না থমজগে। মতাং অসিদা থমজনীংবা অমনা ‘মৈতৈ’ হায়বসিনা নিংথৌজা সলাইগী কাঙলুপ্পু খঙনবগী মওংদা থন্বীরম্মী। অদুনা ‘ৰাংঙম’ হায়বসি কাঙলূপ ফুরুপ অমগী লুচিং পুরেল ওইদুনা লৈঙাকপা ঙন্বা অঙন্বা মীওইশিং; খুদম ওইনা- মপানলমদা হায়রগা ‘ক্ষেত্রি’, ‘রাজপুট’ অমসুং বর্মন (ত্রিপুরা) গী শাগৈ হায়বগুম্বনি। মৈত্রবাক্তনা ‘নিংথৌজা’ নৎত্রগা ‘ৰাংঙম (মৈতৈ)’ হায়না খঙনবা অসিগুম্বনি।

নোংদা তুকুপ্লীক্কী (নোংদা লাইরেন পাখংবা) পন্থৌ মপাগী মমিংনা ৰাংঙম (মৈতৈ) পুরিংলেন কৌই, নিংথৌজা সলাইগী নিংথৌমচা অমনি। মহাকসি নিংথৌজা সলাইগী পুকোক কোকলেন ওইরিবা ৰাংঙম নিংথৌ ‘কোনসৌরেন’ গী চাদা নাউদানি। নোংদা তুকুপ্লীক্কী পলেম মমাগী মীংলেন্না ‘নোংদা নোংখনলোম্বী’ (লৈনুং য়াবীরোক হায়নসু খঙনখিবা) কৌই। ইবেম্মসি শেল্লোইলংমাইচীং (নোংমাইজিং) গী কুথবা লমদমগী লমখৈ মনুং অমদা তাবা ‘য়াখা’ কৌবা মী ফুরুপ কাঙলূপ অমগী ‘য়াবী’ কৌবী চনু অমগী মচানুপীনি হায়বা থেংনজৈ। ইবেম্মা (নোংদা নোংখনলেম্বী) সিগী পন্থৌ মপাগী মীংখৈ মীংলেন্না ‘মাইরেং হৌবা’ কৌই। অদুবু নোংদা নোংখনলেম্বীগী শাগৈগী য়েক সলাইদি পীবিরম্বা থেংনজদে।

ইবেম্মসি নোংমদোনথক্তগী মরোল মখল কয়া খাইদোক্তুনা কুম্লকপী, লাইরৈবাক্কী লাইরেম্বীগুম অদুক্কী মতিক ফজৈ, নিংথিজৈ হায়বসিনা মহাক্কী মীংলেন ‘নোংদা নোংখললেম্বী’ হায়বসিনা শক্তাক্লি। নোংদা নোংখলেম্বী মশাগী চহী ১৫-১৬ শুরকপদা মশা মশা শকখঙনদুনা মথক্তা পঞ্জখিবা ‘ৰাংঙম (মৈতৈ) য়েক্কী’ ‘পুরিংলেন পুরৈরোম্বা’ কৌবা ৰাংঙম নহা অমগা য়ূম্বানমিন্নদুনা ইম্ফাল কংলৈ পুঙময়োনগী অকোয়বগী মচি লমতুপ অমদা লৈরম্বদগী মপারী ‘নোংদা তুকুপ্লীক’ পোল্লবা মতুং চহী অনী শুরকপা মতমদা নোংপোক লৈহাও চীং (শেল্লোয় লংমাই চীংগী নাপোম অমা) দা হোংলক্তুনা পাল্লম্বগী ঈ-পাউ পুৰারীদগী থেংনজৈ। হায়রিবা মফমসিদা ‘ৰাংঙম পুরিংলেন’ মপারীনা চহী ২শুরকপসিদা তাইবঙপান থাদোকখি। হৌজিক ফাওবা নোংমাইজিং চীংথক্কী থেন অমদা ‘পুরৈরোম্বা’ য়ূম্ফম হায়দুনা ‘পুরিংলেন’ গী খুভম লৈরি হায়। হায়রিবা মতমসিগী মমাঙদগী হৌনা কংলা পুঙময়োনসিদদি খাবা সলাইগী কাঙলূপনা পাল্লি লৈরিবা মতমনি। লৈখিদ্রবা ‘ৰাংঙম পুরিংলেন পুরৈরোম্বসি’ ‘অপানবা পাখংবা’ গী ময়াম্কুং থোকপনি। মহাকসি মৈতৈ ৰাংঙম নিংথৌ ‘কোনসৌরেন’ গী চাদা নাউদানি। অদুনা ‘নোংদা তুকুপ্লীক’ সি ‘অপানবা পাখংবগী’ দি মচা থোকই। চহীদি ‘অপানবা পাখংবনা’ নোংদা তুকুপ্লীক্তগী চহী ৫দগী ১০ ফাওবা হল্লি হায়বা পীবিরম্মী। অহানবদা ‘অপানবা পাখংবসি’ নোংপোক লৈহৌচীং (নোংমাইজিং চীংগী চীংথক্কী লমতুক অমা) দা লুচিং পুরেন ওইনা পাল্লম্বদগী কংলৈ পুঙময়োন্দা হান্না পান্দুনা লৈরল্লবা খাবশিংবু অমুক তান্থোক্তুনা কংলৈ পুঙময়োনসি ‘অপানবা পাখংবনা’ পায়শিন্দুনা নিংথৌ ওইখি। অদুবু কুমওন ১১/১২ পাল্লল্লবদা ‘খাবা’ কাঙলূপনা, ঙানবা অমদি চকপা ফুরুপ মখোয় অহুমগী ঙাইশেন অহুম পুনশিন্নদুনা মৈতৈশিংবু তান্থোক্তুনা ‘খাবা’ শিংনা ইম্ফাল কংলা পুঙময়োন্দা পাল্লন্মী। অদুদগী ‘অপানবা পাখংবনা’ মোইরাংদা লাঞ্জেনখিদুনা অনীশুবা থাংজিং ওইনা কেগে মোইরাংগী থাংজিং চীংজাউগী মান্তক থৰায়রোন্দা পানখি হায়বা পুৰারীদা থেংনৈ। মতাংসিমদি মরীক চুম্বা ঈ-পাউ থমজদ্রে। হায়রিবা মতমদুদা মৈত্রবাক্কী তম লৈকায় অমসুং চীং লৈকায়শিংদা তোঙান তোঙান্না পান্নদুনা লৈনরম্বা কাঙলূপশিংগী লুরবা লাল্লক্কী চৈরক্তুদা ‘নোংদা নোংখললেম্বী’ (লৈন্নুং য়াবীরোক) না মশাবী ‘ৰাংঙম পুরিংলেন্না’ থন্বীরম্বা চহী ২ খক্তং ঙাইরীবা নুংশি খুদোল (নোংদা তুকুপ্লীক) অদুবু মপা মপূ নিংথৌজা কাঙলূপকী অৰাংবা থাক্তা পুখৎতুনা ‘ৰাংঙম’ ফিদা লৌনবা মপূক্লিংদা খনবা হৌখ্রবনি। অসুম্না নোংদা নোংখনলেম্বীনা মপারীবু চাউবা শারেপ ফানবা নাওয়োক নাউকোনবতা নত্তনা মৈত্রবাক্কী মৈতৈ লৈবাক অমা শেমদুনা মপারীবু নিংথৌরেন ওইহন্নবা পান্দমদা মালেম শিনবা থুংনা ঙানবগুম ঙানহনবীনবা তাইবঙ মপূদা খুরুমজখি। অসুম্না ‘নোংদা নোংখনলেম্বী’ না মপূরোইবনা শিন্নবীরম্বা মচা ইবুংঙোগীদমক্তা মহাক্কী থম্মোয় থম্বালগী লৈনাশিং শেগাইদুনা অমগী মহকচাংগী কয়াৎশিংবু কনাগুম্বা শক্লাইরবা খূৎকন পাঙ্গল্লবা অঙম্বা মীওই খরদা কথোক্লবা শেম শারম্মী। শকহেনবী নোংদা নোংখনলেম্বীনা মহাক্কী অনীংবা পান্দমশিং ফংনবগীদমক্তা খন্ন-খেন্নবা শকফম মীংলেনশিং লৌদুনা তোঙান তোঙানবা মীওই মীশক অহুমদা চরৈ ফীদুপ নাই-নাইদুনা অমগা অমগা খঙনহন্দনা তাল্লোই ওই-ওইদুনা য়ূম্বানবগী পরীংদা চঙদুনা ‘নুপীনা নুপা লোনবা’ (পোলিয়ান্দ্রি) মচৎকী ফীরেপ্তুদা ৰারেপ লৌজরম্মী। অমরোমদনা নোংদা নোংখনলেম্বী (লৈনুং য়াবীরোক) না মৈত্রবাক্কী কংলৈ পুঙময়োনগী মতাই অমদা পাল্লিঙৈ মতম খরদুদা পোইরৈ তমলৈকায় অমসুং লোইবী চীং লৈকায়গী লমলেন লমদমশিংদা লৈরিবা কাঙলূপ কাঙলূপকী নিংথৌশিং অমদি ৰাঙ্গোল নিংথৌশিংনা খূৎকন পাঙ্গন্না পাল্লিবা অমসুং কনানা করি তৌরিবগে হায়বনচিংবা মরীক চুম্বা ঈ-পাউশিং খোমজিনবগী লৌশিংসু হান্ননা লৈখ্রবনি। হায়রিবা মতম তাঙ্ককশিং অসিদা মৈত্রবাক্কী ফুরুপ কাঙলূপশিংসি হৌরকফম শাৎলকফম অমদি লাকফম খুনলাল্লকফম তিন্ন-মান্নদ্রবসু ৰাখল মান্নবা কয়া পুনশিন্নরগা কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্লবগী মতাংদা লৈনরম্মী। অসিগুম্বা কাঙলূপ অনী অসি অমগা অমগা হিদান্নদুনা অদুম লৈনরম্মী। পুনশিন্নখিবা কাঙলূপশিং অসিগী মনুংদা ‘খাবা’ অমসুং ঙানবা, চকপা অমদি শেল্লোয় লংমাই চীংদা লৈরম্বদগী তম্পাক লমদমদা খুন্থোকখিদুনা কাঙমোংদা পানখিবা ফুরুপমচা অমগনা লাল্লোই লানবাংনদুনা খূৎকন পাঙ্গন্না ‘কংলৈ পুঙময়োন’ দা পানল্লিবনি। অতোপ্পা কাঙলূপ অমনা শেল্লোয় লংমাইচীংগী নাপোমদা লমতুক লমতুক খাইদোক্লদুনা অমসুং কৌব্রু চীংজাউগী খ্বাইদগী ৰাংবা চীংজাউগী নাপোমদা পাল্লিবা কাঙলূপনি। হায়রিবা কাঙলূপশিংগী মনুংদা নিংথৌজম সলাই (মৈতৈ) গীদি য়াওদ্রি। অসিগুম্বা পোইরৈ লৈবাকসিদা তৌনরিবা লৈঙাকলোনগী ঈরাংশিংসি ‘নোংদা নোংখনলেম্বী’ (লৈনুং য়াবীরোক) না মহাক্কী ৰাখল থাদদুনা কূপ্না য়েংদুনা লৈরিবনি। অদুগীসু মথক্তা নোংদা নোংখনলেম্বী ইবেম্মসি শেল্লোই লংমাইচীংগী চনু নিংঙোলসু ওইবনিনা হায়রিবা শেল্লোয় লংমাইচীংগী মচি মচি খাইদোক্লদুনা পাল্লিবা নিংথৌ অহুমগী মতিক ময়াইসু খঙলিবনি। অদুদগী নোংদা নোংখনলেম্বী ইবেম্মসিনা লৌজখিবা ৰারেপকী মতুং ইন্না খুদোংচাবা য়েংদুনা অহানবদা অঙোম নিংথৌ (নোংবান সরারেন) দা ‘পীরিৎনু’ কৌনা ওঙলগা খুন্নাইগী মিৎয়েং য়ৌহন্দনা ফীজঙ খন্দুনা থমখি। অনীশুবদা লুৰাং নিংথৌ (নুংবান সরারেল) দা ‘অরৈনু’ কৌনা ওঙলগা খুন্নাইগী মীৎয়েংবু চরৈ-ফীনা কুপশিন্দুনা থমখি। অহুমশুবদা থাংয়ী নিংথৌ (থাংয়ী সরারেন) দা ‘অহুমনু’ কৌনা ওঙলগা শেল্লোয় মশেন মবাই অমদি খুন্নাইগী মকু মঙাইশিংগী মীৎয়েংদা নাথৈ-নাকোইননা ফীখন মায়খন্না থৎতুনা থমখি। অসুম্না নোংদা নোংখললেম্বীনা নোংদা তুকুপ্লীক পোকৌদগী ‘লৈনুং য়াবীরোক’ হায়না মীংথোল্লবী ইবেম্মসিনা মতিক ময়াই লৈরবা নিংথৌ অহুমদা অমগা অমগা খঙনহন্দনা য়ূম্বানমিন্নবগী মচৎ লিচৎতা তাল্লোয় মরুম্বী ওইদুনা ফীদুপ নাইনা থুপ্পগুম থুপ্পুনা মহাক্কী নুংশি লাংদা ফাজিন্দুনা থমখি। নোংদা নোংখললেম্বী (লৈনুং য়াখা য়াবীরোক) না মপারীবু চাউবা শারেপ ফাদ্রিবা অমদি হুয়েন লাল্লোংনচিংবা মহৈ-মশীন মপূং ফাদ্রিবা ফাওবা নিংথৌ অহুমদু মহাক্কী নুংশি লাংদা ফাজিন্দুনা থমখি। পুৰারীদা থেংনজবা ঈ-পাউগী ৰারোলশিংসি অইবা ঐহাক্লা য়ারিমখৈ শম্না অরাইবা লোন দাদা ফোঙদোকচনবা হোৎনজবনি। অদুবু ইজরিবা ঐহাক্কী লনাইগী ওইবা শেমজিন শাজিনবা পুৰারীগী ৰারীদি অমত্তা য়াওজদে।

নৈনজখিবা লাইরিক্কী মমিং মথা অরোইবা শরুক্তা হাপচরক্কনি। মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবগী মমা-মপাগী মতাংদা লাই-তীল (মাইথোলোজি) গী ওইবা ৰারীবু পুৰারী (হিষ্টোরিকেল ফাইন্দিং) দা পুশিল্লকপদদি অইবগী ইতিক চাফাৎত্রে। তোঙান তোঙানবা ৰারী লীখুন খরবুদি থেংনজৈ থাদোকচরে।

-মথং-মথং

# তাঞ্খুল নুরাবীগী লাইথৌদা য়াওরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী মচাক

- ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ -

*(হান্নগী মখা চত্থজরকপা...)*

হাওবগা নুরাবীগা মখোয় অনী অমনা অমবু মশক মুন্না খঙদোক্লনবা অৰাই-অখুম কয়া মথং মথং অসুম তৌনরকপগা লোয়নন‌া নুরাবীগী ‘চাকয়োম’ অমদি তাঞ্খুলগী ‘চক-খুদোপ’ পুথোক্লরকপদগী হেন্না হেন্না নীংশিংনরক্লবা মতুংদা খালৈ লৌগী মতাংদা অমুক হন্না য়েৎনরক্লবদা তাইবঙ পানবা মপূনা মৈতৈ লমপু ওইনা শাইওন্দুনা থোরক্লগা ইবুংঙো-ইবেম্মা অনীগী খৎনবদু মপূং ফানা ৰায়েনখি অমদি মখোয় অনীগী লৈফম অমদি মখা তানা চত্থগদবা শিন্থাসু তাকপীখি। মতাং অসিদা চক-খুদোপ অমদি চাকয়োমগী ফজখ্রবা সাহিত্য অদু নৈনদুনা য়েংবা য়াই।

খাবনা তান্নবদগী নোংপোক পান্থোইবীনা অরোইবদা নোংচুপ খেবা চীংদা লোৎতুনা পাম য়ান্দুনা লৈরিবা অদু খাবনা খঙলকপদগী খাবগী শাগৈ অপূম্বনা খূৎশম্নদুনা পল্লোন কোয়রগা মৈ থারকপদগী নান্থোকফম লৈত্রবদা ইবুংঙো-ইবেম্মা অনীমক লাইগী মশক লৌদুনা তোঙান-তোঙান্না চৎনখি। তোঙান-তোঙান্না চৎনরমদাইদা ইবেম্মা নঙবু মতম খরা তাইবঙ মীরক্তা তিন্দুনা লংমাই খুল্লাকপগী মচানুপী ওইনা লৈরুও, ঐনা তাঞ্খুল হন্দুং লান্থবগী মচা ওইনা লৈরুগে। অদুগা চক অদু য়ৌরল্লবদা ঐনা পাম খুদিং নঙবু থিরক্কে। মতমদুদা ইবেম্মা নঙনা ঐঙোন্দা লৈহৌলা উপ্পা ৯ অরোংবা ৭না য়োম্বা উতং মতাং অনীগী কন্নম পায়া ৯ অমসুং ৭না পুনবা মৈ চংবা পোৎ য়াওদবা উহৈ-ৰাহৈতনা য়োম্বা চাকয়োম পীরবদি নঙবু ঐগী ইবেম্মনি খঙগে তাকপীরে। অদুগা ইবেম্মনা ঐবু খঙনবা খুদম ওইনা করি লৈবগে হংলবদা ইবেম্মনা মখূৎতা শীরিবা খুদোপ অদু পুথোক্তুনা খুদোপ অসি ইবুংঙোনা অমুক ঐঙোন্দা পীবিরবদি ইবুংঙোনি খঙজগে হায়রে। মদুদি য়াররোই লাইগী শক্তম লৌদুনা থৰায় ওইনা পাইখ্রগদবনি। মদু নত্তবা অমত্তা লৈত্রে হায়না ইবেম্মনা মহায়রবদা ইবুংঙোনা কৌব্রু মায়কৈ ওন্দুনা ইমা লৈমরেল কৌদুনা কপলল্লবদা ইমা লৈমরেলনা কৌব্রু ফিশাং হায়রল্লবদা ইবুংঙোনা খুদোপ্পু লংখৎতুনা ইমা লৈমরেলগী মফমদা খুদোপ শীন্নজখি। নচানা কুমওন শুদুনা ইমাগী নাক্তা লৌবা লাকচদ্রি ফাওবা খুদোপ অসি কনাদসু পীথোকপীগনু হায়না পাউমেনখি। খুদোপসি নপারি-নমোম শক খঙনগদবা খুদোপনি। খুদোপসিনা মাঙখ্রবদি নপারি-নমোম অমুক হন্না শক খঙনররোই হায়না শিন্নখিবা খুদোপনি। ইবেম্মা হৌজিক্তি মতম লোইরে, চাকমাঙ য়ুমাঙ চারক্নু, পোলাংদা ফিনা কুপ্পগুম শরূদা উনশা খক্তনা কুপ্পবা ফাওবা লৈয়ু। চাকমাঙ-ফিমাঙ হেক নংবদা লাইরমলেন্দা হঞ্জিনবা য়াদবা হায়না শরি ৰাশক্লরে। ঐখোয়না হিংগদবদি উহৈ-ৰাহৈ চাদুনা, ককই-চীংজুম থক্তুনা হিংগদবনি। থানরিবা মতমদু য়ৌরবদা ঐনা নঙবু পাম খুদিংদা থিরক্কে হায়নদুনা কায়নখি।

**কায়থরক্লিবা তাঞ্খুল-নুরাবীগী লাইথৌ :-** মৈতৈগী পুন্সিরোল অমদি খুন্নাইগা থাদোক্লবা য়াদ্রবা লাই হরাউবগী তাঙ্কক কয়াদা কায়থরক্লিবা অসিনা লাইথৌসিগা লোয়নরিবা সাহিত্যশিংদসু অঙকপা ফংনা চৈথেং পীরি। তাঞ্খুল-নুরাবীগী থৌরম্না পীরিবা ফজখ্রবা সাহিত্যগী ৰারী কয়াবু মতমগী হোংলক্লিবা ফত্তবা অওনবা কয়া অসিনা মরিং-মরাংবা থোকহল্লি। উমংলাই হরাউবগী লাইরোলশিং, জগোয়-ঈশৈনচিংবা কয়ানা থৌনিবদা ৰাৎহৌবা থৌনি-থৌরম কয়াবুসু তাঞ্খুল-নুরাবীগী থৌরমসিনা মেনখৎপগী মওংশিং লৈরবসু মীয়াম্না থৌরম অসি ফাগী, হরাউ-কুম্মৈ, ঈশৈ-নোংমাইখক্তগী ওইনা লৌনবগুম তৌই। তাঞ্খুল শারিবদুনা অফংবা চীংফি অমা হেক্তা শেৎচিল্লগা, মায়-মীৎতা পংয়েক্তা য়েকশিন্দুনা, মকোয়গা য়েকশিল্লগা, খুদাঙয়াই শীজিন্নদুনা, খুবোমদগা মচু শঙননবা পোৎশিংনা হেক্তা য়েকশিনগনি, খোঙদা খোঙজী চরোং অমা হেক্তা শীজিনগনি, ফুরিৎখাও য়াওবা থবাক খায়বী ফুরিৎ মকক অমা হেক্তা লিৎকনি। তাগা, তেনগা, তেঞ্জৈগা হেক্তা পূন্না পায়শিন্দুনা থোরক্কনি। নুরাবী শারিবীদুসু অদু মঙায় অরৈবা চীংফি অমা হেক্তা শেৎচিল্লগা মকোক্তা উচেক মতু থেৎচিনগনি, প্লাষ্টিক বোটল অমদা য়ু হানজিল্লগা অফংবা ছম অমগা হেক্তা থোরক্কনি খুনবুদুসু লমবু অমুক শারকপা মতমদা ফিজোলদা অহোংবা অমত্তা লৈরোই, হাওবদা তরেৎকী শেঞ্জা পীবদা মনি বেগতগী নৎত্রগা ফুরিৎখাওদগী শৎলগা পীবনচিংবা তৌহৈদবা কয়া তৌবা হেক-হেক থেংনৈ। কোনশাবীনা ফম্ফম লান্না চীংখৈদা হেক্তা কৈথেল ফমজিনবা, লুকমায়দা লদু, গাজা, য়েরুম অফুৎপা, সিংহারনচিংবা কৈথেলগী অথুম-অহাও হেক্তা হাপচিন্দুনা ইলেক্ট্রিক লেম্প নৎত্রগা থাউমৈ লালটৈন অমা পায়রগা থোরকপা তোয়না থেংনৈ।

তাঞ্খুল নুরাবীগী খুল্লঙ ঈশৈদা হাপচিল্লম্বা ফিল্ম অমদি মতম ঈশৈশিং মীয়াম্না য়ানরক্তবদগী খরমখৈ ফরবসু শৈহেক-শৈদা অমদি ময়েক্তা মানা পাম্বা মওংশিংদা অয়াম্বনা চৎথনবা থেংনৈ। ৰারী-ৰাতায় তৌনরকপদা অকামপেৎকী ওইবা লোন্দা-খোন্দা কয়া হাপচিনবা, মরী লৈনদবা কয়া পুশিল্লক্তুনা ৰামেন হৈনিকা হায়জিন্দুনা খামেন পুথোক্তুনা অচোপ-অরেম খঙদবা লাইথৌ ওইনা উহন্নবা হোৎনবা কয়া লৈরি। চাকয়োম মুন্নবা, পুকয়ু-ৰাইয়ু লাক্লবদা লাইবুংগী ৰাংমা লান্না তান্নবা, ফংলগা নুরাবীদু মরেঙবান দগা থোনগৎলগা পুরক্তুনা লাইশঙদা কাখৎলকপা, ফৈনা পমখৎলগা পুরকপনচিংবা য়েংবদা মীৎ নারবা মওং কয়া উবা ফংলি। লাইমাঙদা পাঙথোক্লিবা লাইগী থৌরম অসিদা হাওবা শারিবদুগা খুনবু শারিবা অদুগা অহৈ-অশিংগী অঙম তান্নরকপদগী নুংঙাইতবা মওং মশীং থিঙমদনা থেংনরি। লাইগী থৌগল তৌরিবনি শোয়বা য়াদে হায়বগা লোয়নন‌া তুংওইনরল্লগা ময়াম নোক্লনবা শেল থারক্লনবা মওংদা থৌপাংবা তাঞ্খুল-নুরাবী শাবা-শাবী ওজা মরাং য়াম্না কায়রি।

করম্না অমদি কদায়দা লৈতৌগনি অমসুং লৈথোনগনি, করম-করম্বা খোংলম্না ফুনগনি, করম্বনা ফাৎকনি, কোনশবীনা করম্বা মায়কৈদা কৈথেল ফমগনি, খোই লোকপদা মৈ চুদুনা লোকপা য়াত্রা/য়াদ্রা, করি-করি ফৌ মখলশিং হুনগনি হায়বনচিংবা কয়াসি নীংথিনা খঙদবা ওজা কয়ানা তাঞ্খুল-নুরাবীগী শক্তম লাংদুনা থৌরমসি পাঙথোরকপসিনা লাইথৌ অসিগী অশেংবা মশক্তু কায়থরকপদা নত্তনা লাই হরাউবগী মশকপুসু থিজিলহল্লি। মথোঙ চাদবা থৌওং কয়াসিনা ফজখ্রবা অমদি নুংশিখ্রবা লাইথৌ অসি মপা-মচা, মচিন-মনাও পূন্না য়েংমিন্নবা য়াদ্রবা থৌরম অমগী থাক্তা লৈরি। তোঙান-তোঙানবা লাই নৎত্রগা হরাওরোলগী মতুং ইন্না খেন্নবা কয়া লৈরবসু তৌশিল্লিবা কয়া অসিদি ফুরুপ অসিগী অচৌবা মাঙজবা ওইরকপা নত্তনা অতৈ করিসু লৈতে।

**ৰারোইশিন :-** তাঞ্খুল নুরাবীগী কুম্মৈ অসি কংলৈ হরাওরোলদদি য়াওদবা য়াদ্রবা মচল অমা ওইরবসু মোইরাং হরাউবদদি য়াওদে। ককচীং হরাউবদা অমদি চকপা হরাউবশিংদসু লাইথৌ অসি লোইনা য়াওই। চকপা ফয়েং হরাউবদদি নুংতিগী তাঞ্খুল-নুরাবী থোকই। চকপা সেকমাই হরাউবদনা লাইরোই নুমিৎতা লাইথৌ চোংমিন্নৈ, জগোয়সু শামিন্নৈ। থরৈ হরাউরোলনি হায়না খঙনরিবা শুগুনু মায়কৈগী লাইশিং হরাউবদা তাঞ্খুল-নুরাবীগী থৌরমসি য়াওদবা য়াওই। খুদম ওইনা শুগুনুগী ইবুধৌ ৰাংব্রেন হরাউবদা কুম্মৈসি য়াওদে। চাইরেল হরাউবদা তাঞ্খুল শাবদু মখোঙ তেকপা শাই। লাঙাথেলদি তাঞ্খুলগী মহুৎতা মরিংনা ওইনা থোকই। অদুগা কৌক্রুক্তদি নুপী মানবী নুপানা ওইনা নুরাবী শাই। তাঞ্খুল শাবদুনা মোরেগী তুপীসু উপ্পী। থিগৎপা ৰাৎহৌবনা অতোপ্পা খেন্নবা কয়াসু লৈরমখিগনি হায়না খঞ্জৈ। অসিগা লোয়নন‌া খেন্নবশিং অসি তশেংনা লৈফম থোকপ্রা নৎত্রগা থোক্তব্রা হায়বসিগী মরমশিং কূপ্না নৈননীংঙাইনি। মখা তানা নৈনরবদি লাইথৌ অসিদগী ফজ-ফজরবা সাহিত্যগী মচাক কয়াসু শোয়দনা থোরকখিগনি। লম-লমগী অমদি হরাউরোলগী মতুং ইন্না তাঞ্খুল-নুরাবীগী মতাংদা খেন্নবা খরদি উবা ফংলে। অদুবু ঙক্লিবদি লাইরিক ইবশিংনা চপ মান্নবা হরাউরোল অমগী তাঞ্খুল-নুরাবী থৌরম্থু মাগী-মাগী লাইরিক্তা তোঙান তোঙান্না মান্নদনা ইনরিবা অসিনি। ঐখোয়গী নৈনরোইশিং, থিজিল্লোয়শিংনদি মায়কৈ অশোমদা পূক্লিং ইচঙ-চঙদবগুম তৌরি।

লাইনীংথৌ লাইরেম্বী অনীনা তাঞ্খুল-নুরাবীগী শাইওন তৌদুনা তাইবঙ কুম্মৈ কয়া শান্নরম্বগী মতিক অরুবা কয়া লোয়না খঙবা ইতিক নৎচদে। অখঙ-অহৈশিংনা লাইরিক ওইনা খরা খরা লেংথোকপীরম্বশিং অদু পাজরুবদা নৈনজরুবদা ফাওরকপা ৰাখল্লোন খরদু পাউদমজবখক্তনি। ঐখোয়গী নৈনরোইশিংনা অমদি সাহিত্য শূবশিংনা মায়কৈ অশোমদসু পূক্লিং চঙনীংঙাই ওইব্রা হায়বদু ফোঙদোকচবখক্তনি। মৈতৈ ঐখোয়গী য়ুনিভর্স ওফ নোলেজ ওইরিবা লাই হরাউববু কনানা লোয়না খঙবা ঙমগনি। হিন্দুগী মহাভারতপু কনানা লোইনা খঙবা ঙমখিবগে?

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭২

১। কাং শান্নবা হায়বসি ঐখোয়গী থানবা য়াদ্রবা মশান্না অমনি। মী তরেৎ-তরেৎ ফম্নরগা শান্নবনি।
(ক) করম্বা মৈদিংঙুগী হাক্তক্তা কাং শান্নবা হৌখিবগে?
(খ) পনঙাকপা মীশক্লা ফমফম কয়াশুবদা ফম্বগে?

২। “নোংমা নোংমগী থামচাগী মমল হাইথরকপনা ঈশিংমুক মমল লায়খ্রে। কান্নবদি লৈবা মমলদি হোঙবা।” পরেং অনীসি এম কে বিনোদিনীগী ৰারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৰারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু?

৩। “বেশ্যাইমচাগী/ওক মকোক পানবশিংদো/মমীৎ মমীৎতমক ময়েংনৈ/মমীৎতমক ময়েংনৈ।” পরেং মরি অসিনা শ্রীবীরেনগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু?

৪। “হায়হৈদে তমু, তুংগী পুন্সিগী খল্লু, লমন শিংদনা তোকলোইসি।” পরেংসিনা ‘নূংগী চীনবান’ কৌবা ৰারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবীদুগী মমিং হায়য়ু?

৫। “হল্লকখিনি অমুক তোর্ব্বানসিদা’ হন্দোকপদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৰাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৰাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন‌া খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।